**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মহারাজ গম্ভীর সিংহ্ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ্না হায়রি- লুপা কোতি লিশিং ৩,৩০০ লোম চংনা গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াগী লম্বীশিং আর.সি.সি. ওইনা শেমগৎলগনি।

৩) সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা সেকমাইজিনদগী খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মপান লমদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং লৈ।

অমসুং

৫) ছতিসগরগী সুকমা জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই অহুম শিরে।

------

ডে (এল)ঃ মহারাজ গম্ভীর সিংহ্ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

মহারাজ অসিগী সমাধি লৈফম ইম্ফালগী লংথবালদা ষ্টেট আর্কিওলোজি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-

নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা মহারাজ গম্ভীর সিংহ, মৈদিংঙু নরাসিং অমসুং সনা হেরাচন্দ্রগী মুর্ত্তিদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়- মহারাজ গম্ভীর সিংহ, মৈদিংঙু নরাসিং অমসুং সনা হেরাচন্দ্রনা লৈবাক অসিগীদমক্তা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা কাউফম থোক্তে। মহাকা হায়- মোর্দন টেকোলোজি শিজিন্নদুনা লমদম অসি শেন্নকপদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা অথৌবশিংগী ৱারী অমসুং ঐখোয়গী জাতিনা হৌরকপগী মপুং ফাবা ৱারী তাকবা ম্যুজিয়ম অমা লুপা কোতি ৪০ হেন্না চংনা শানবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌরে। শ্রী বিরেন্না হায়- মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা অতোপ্পা লমদগী লাকপা মীওইশিংদসু ম্যুজিয়ম অসিগী মতেংনা ঐখোয়গী অথৌবশিংগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্লগনি।

সরকার অসিনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা গ্রেটর ইম্ফালগী লম্বীশিং আর.সি.সি কংকৃট রোড ওইনা শেমগৎনবা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎলগনি। মসিনা নোং তোইনা চুবনা মরম ওইদুনা থুনা থুনা লম্বী শেমবগী থবক অদু লেপহল্লগনি। কংকৃট রোডশিং অসি লুপা কোতি লিশিং ৩,৩০০ চংনা শেমগৎকদবনি।

থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.শিং অমদি শকাইরবা মীওই কয়ামরুম শরুক য়াখি।

য়ুনাহতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম নেসনেল রিকন্সোলিদেসন ডে হায়না ইম্ফালগী চীংঙা মথক্তা লৈবা হাও গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি।

ইন্দিজিনস পিপলস ওর্গনাইজেসন মণিপুর (ইপোম)নসু ঙসি রিকন্সোলিদেসন ডেগী পালন থৌরম বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাংঙু নাউদাখোং অৱাং লম্পাক্তা পাঙথোকখি।

মৈদিঙু গম্ভির সিংহ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন পালন থৌরম ঙসি পিছ্ এন্দ ফ্রিদম একাদমি থৌবালদসু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর ঙাংবম নোংয়াই শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু ইনিংথৌ চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওন থৌরম নেসনেল রিকন্সোলিদেসন ডে হায়না পাঙথোকখি। জিলা অদুগী পি.দব্লিউ.দি গেষ্ট হাউসতা য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট জিরি ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা হৌজিক্কি মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম অসিদা তোখায় তাবগী ৱাখল থাদোকদুনা পুন্না লিংজেল মান্ননা চংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোংদোকখি।

অসামগী হোজাইদা লৈবা মণিপুরী সাহিত্যা পরিষদকী শঙলেনদসু ঙসি চহি ৭ খুন্তাকপা নীংশিং নুমিৎ-রিকন্সোলিদেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মীয়ামা গম্ভির সিংহ অমসুং নরাসিংহগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মণিপুরী কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইতি অসাম-হোজাই অমদি য়ুলেস্কো মণিপুর অনিনা মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থোরম অদুদা মণিপুরী কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী প্রসিদেন্ট খোইরোম নবদিপনা হায়- অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা ইশাগী নাৎ, শক্তম অমসুং কলচর ঙাক্তুনা লৈরি। মহাকা হায়- ঙসিগী থৌরম অসিনা মচোই তাবগী ৱাখল্লোন থাদোকদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা পুন্না হিংমিন্নবা অমদি চাওখৎমিন্নবগী পাউজেল অমা পীরগনি।

বিরেন (এল)ঃ মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯১ শুবা কুমওনগা মরী লৈননা চহি ৭ খুন্তাকপা কৌবা দোক্কুমেন্টরি ফিলম অমা সু ঙসি ইম্ফালগী কংলাদা উৎখ্রে। মিনিত ২২ রোম শাংবা ফিলম অসি রোমি মীতৈনা দিরেক্সন পীবনি। ফিলম অদুগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- মসি হিষ্ট্রি চেন্নেলদা টেলিকাষ্ট তৌগনি। মহাকা হায়- ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী মতিক মথৌনা অমদি হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎলিবা ফিলম অসি পুথোকবা হোৎনবদা চহি অহুমলোম চংখি। লমদম অসিগী ইতিহাসকী মরমদা ফিচর ফিলম অমসু অথুবা মতমদা পুথোক্লগনি অমসুং মদু মীয়ামা সিনেমা থিয়েতরশিংদা উবা ফংলগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা সেকমাইজিন হনগুল ময়াই লৈকাইদা ঙসি থিবা হুন্নবগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎখ্রে।

৩৩ শুবা অসাম রাইফলস, ককচিং পুলিস কম্মান্দো অমসুং হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোনেলশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মফমদুদা থি হুন্নবগী থবক চথুবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মেগজিন য়াওদবা এস.এল.আর. অমা, এস.বি.বি.এল অমা, মেগজিন য়াওদবা কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ অহুম, ট্যুব লোঞ্চর অমা, কাপ্পা য়ারিবা নাইন এম.এমগী মরু অহুম, তুয়েল্ব বোর কাত্রিজেস অনি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবা হিয়াংলম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

ইংবাঃ মনিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা কা হেন্না ইংবগী অৱাবা মায়োকরি।

সেনাপতি জিলাদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কা হেন্না ইংবদগী মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকদ্রে। জিলা অসিদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী অহুমদগীনা মঙা ফাওবা ওইরি। ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখনিনা হায়-অয়ুক অমদি নুমিদাংগী মতমদা কা হেন্না ইংবগী অৱাবা মায়োকরি। ইংবা অমদি লৈচিল কুংনা থাবনা মরম ওইরগা নেসনেল হায়ৱে ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অয়ুক্কী মতমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োকরে। আই.এম.দিনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা হিমাচল প্রদেস, পঞ্জাব, রাজস্থান, মৈধ্য প্রদেসকী নোংচুপ থংবা শরুক, জম্মু কাশ্মির, লদাগ, গীলগিদ, বালতিস্থান অমসুং মুজাফরবাদ য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদসু কা হেন্না ইংবগী অৱাবা মায়োকগনি।

লোন (এল)ঃ মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা পীথোক্তনা লৈরিবা লোনগী শেনফমশিং চহি অসিগী মার্চ ফাওবদা পীথোক্লগনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমফেলপাৎতা লৈবা মণিপুর হিলস এন্দ বেকৱার্দ দিভলপমেন্টে কোওপরেতিভ বেঙ্ক লিমিতেদকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা বেঙ্ক অসিগী চীফ মেনেজর এন. রামচন্দ্রনা হায়- হৌখিবা চহি ২০২৪ দা লমদম অসিগী তংদু লৈতাদবা ফিভমনা শেল থুমগী অৱাবা অমদি অথিংবা খরা লৈবদগী লোনিশিংদা লোন পীথোকপা ঙমখিদবনি। অদুবু অথুবা মতমদা লোনগী শেনফমশিং পীথোকবা থৌরাং তৌরি হায়না মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

আইসিএআর (এল)ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন হিল রিজন (এন.ই.ঐচ)গী আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্সকী গোল্ডন জ়বিলিগী থৌরম মণিপুরগী আই.সি.এ.আর কৃসি বিগ্যান কেন্দ্র ৫- চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ইম্ফাল ৱেষ্ট, তমেংলোং অমদি উখ্রুলনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা, এন.ই.ঐচ মণিপুর সেন্তরগী হেদ ডাঃ সি.ঐচ. বসুদা দেবীনা আই.সি.এ.আর রিজনেল সেন্তরনা পায়খৎপা থবক অমদি লৌউ শিংউ চাওখৎনবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা লৌমী ২০০ হেন্না শরুক য়াখি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ২০২৫-২৬ কী অনৌবা পি.জি. কোর্সকী এদমিসন কম্মন য়ুনিভর্সিতি এন্ত্রান টেষ্ট (কেুট) ২০২৫ গী মতুংইন্না পাঙথোক্লগনি। মহৈরোইশিংনা কোর্স অসিগী অকুপ্পা মরোল নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিগী ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি হায়রি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ মথং থাগী ১ নি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহনবদা মপান লমদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাং লৈ।

উরিষাগী ভুবনেশ্বর ১৮ শুবা প্রভাসি ভারতিয়া দিবস কনভেন্সন

হৌদোক্লবা তুংদা শ্রী মোদিনা হায়- মপান লমদা লৈবা ভারত মচাশিং অসিনা মালেমগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদসু শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি অমদি লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী ৱারীদসু মখোয়গী মপুং ফারবা দান য়াওরি। মপান লৈবাকশিংদা লৈরিবা ভারতমচাশিংনা মালেমদা ভারতকী এম্বেসেদর ওইবগীদমকসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- মপান লমদা লৈরিবা ভারত মচাশিংনা মখোয়গী হৈ শিংবা কয়া মালেমদা উৎথোক্লি অমসুং মদুনা ঐখোয়দা চাউথোকচবা পোকহল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা মহাকা মালেমগী লুচিংবা কয়া উন্নরে অমসুং লুচিংবা খুদিংমকা ভারত মচাশিংবু থাগৎপা ফোংদোরকখি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসিদা ভারতকী মীওই কোতি ২৫ হেন্না লাইরবা কোকহনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ভারত অসি মালেমগী শেল থুমগী লমদা খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা লৈবাক ওইনবগী লম্বীদা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা রিন্যুএবল ইনর্জি, ইলেক্ট্রিক মোবিলিতি, ফাইটর এয়ারক্রাফট শাবা, মেত্রো অমসুং বুল্লেট ত্রেননচিংবা হিরম খুদিংমক্তা ফিভম ফগৎলকপগা লোয়ননা প্রভাসি ভারতিয়ানা ভারতনা শাজবা এয়ারক্রাফটতা লৈবাক অসিদা অমুক হল্লকপা ঙমহল্লগনি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা প্রভাসি তির্থ দরসন য়োজনাগী মখাদা ভারত মচাশিংগী অখন্নবা তুরিষ্ট ত্রেন প্রভাসি ভারতিয়া এক্সপ্রেসসু ভারচুয়েল ওইনা লমথাখি। প্রধান মন্ত্রিনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা সংস্কৃতিগী মচাকশিং অমদি শেল থুমগী ফিভম উৎপা রাজ্য অমসুং কেন্দ্রগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রালয়শিংগী প্রমোসনেল ষ্টোলশিং য়াওনা একজিবিসন কয়ামরুমসু হৌদোকখি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং- এস. জয়শঙ্কর, জ্ৱেল ওরাম, ধরমেন্দ্র প্রধান অমসুং অস্বিনি বৈষ্ণো, উরিষাগী রাজ্যপাল হরিবাবু কমভমপতি, মুখ্য মন্ত্রি মোহন চরন মাঝিনচিংবসু শরুক য়াখি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুসু ভুবনেশ্বরদা প্রভাসি ভারতিয়া দিবস কনভেন্সন লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। মহাকা তোঙান তোঙানবা লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক মপান লমদা লৈখ্রবা ভারত মচাশিংদা প্রভাসি ভারতিয়া সন্মানসু পীগনি।

মাওইষ্টঃ ছতিসগরগী সুকমা জিলাদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা মাওইষ্টকী মীওই অহুম শিরে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু সুকমা অমসুং বিজরপুী জিˌর অনিগী লোন্নবা শরুক্তা দিষ্ট্রিক্ট রিজর্ভ গার্দ, স্পেসিএল তাস্ক ফোর্স, কম্মান্দো বট্টালিয়ন ফোর রিজোলুট এক্সন (কোব্রা)গী পর্সনেলশিংনা মাওইষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথবদা মাওইষ্টকী মীওই অহুম অদু শিখিবনি।

এমঐচএ ঃ কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিদগী টি.বি লায়না পুংমুৎ মুথৎনবা থল্লিবা পান্দম অদুগী খোঙথাং অমা ওইনা বন্দিশিংগী লৈফম অমসুং করেক্সনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা নুমিৎ ১০০ গী ওইবা টি.বি. লায়না মুথৎনবগী ইন্টেন্সিফাইদ কেম্পেইন চত্থনবা গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুমমক্তা খঙহনখ্রে।

রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা মন্ত্রালয় অসিনা ইবা চিঠি অমদা বন্দি পুমমক্তা লায়না অসিগী মতাংদা ঈ পাউ খুদিংমক খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গী স্ক্রিনিং কেম্পশিং পাঙথোকবা হায়রি। থা অসিগী ২৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রালয়না পিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম নিক্সে সপদ পাঙথোকবসু হায়রি। বন্দিশিং থল্লিবা মফম অমদি করেক্সনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী ষ্টাফশিংগীদমকসু টি.বিগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রামশিং পাঙথোকবা হায়রি।

বিজেপি ঃ বি.জেপিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে.পি. নদ্দানা ঙসি দল অসিগী দিল্লি মীখলগী মেনেজমেন্ট কমিতিগা মীফম পাঙথোক্কুনা লাক্লিবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী মতাংদা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা দল অসিগী মীখলগী পোরম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মীফম অদুদা দিল্লি বি.জে.পিগী মকোক বিরেন্দ্র সচদেব, দলগী ইনচার্জ বাইজয়েন্ট জোয় পান্দা অমদি অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

অন্ধ্র ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী তিরুপতিদা ঙরাং নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী নকবা মরী মতাদা লুপা লাখ ২৫-২৫ ক্ষেতিপুর ওইনা পীরগনি হায়না রাজ্য সরকারনা লাউথোকখ্রে। রাজ্য অদুগী মন্ত্রিশিংনা ঙসি তিরুপতিদা লৈবা হোস্পিতালদা চত্তুনা থৌদোক্তুদা অশোক অপন নংবদগী লায়েংদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি অমদি মখোয়বু লেমা লায়েংগনি হায়বগী থাজবা পীখি। মরক অসিদা, তিরুমালা তিরুপতি দেবস্থানমনা হায়রি- হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদবা বৈকুন্থা দ্বার দর্সনগী নুমিৎ হুমিগী তোকন পীবগী থবক পুমলোই লোইশিল্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা আর.সি.এ লিলোংবু রন ৮৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ ২১ শুবা মনিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈবু রন ৮১ দা থোইখ্রে। হয়েং মোদেল ক্লবকা ৱাই.য়ু.সি.সিগা শান্নগনি।

ফুটবোলঃ তরুকশুবা এস.ঐচ. মণি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিখকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.জে.সিনা আই.য়ু.এফ.সিবু পাঞ্জল ১১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.আর.ৱাই.পি.এস.এনা য়ু.এস.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ ২ শুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফি ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী ককচিংদা হৌখ্রে। পুন্না টিম ২৬ শরুক য়ারিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা

নুমিৎকী অহানবা মেটচতা লাংলেন এফ.সি লমজাউনা য়াংদোং এফ.সিবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখ্রে। অনিসুবা মেটচতনা মাতা পান্থোইবী এসোসিয়েসন্না য়ুরেকা একাদমি থৌনাউজমবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ  ৪৪ শুবা সি.এস.দি.এস.এ স্পোর্টস মিট ২০২৫ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা খুবুং খুনৌ নোবোকোমনা খুবুং খুল্লেনবু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা চমদিল খৃষ্টান ৱাই.সিনা অনাল খুনৌ ৱাই.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল(এল)ঃ তরেৎশুবা পি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে.ঐচ.সি ক্যামগৈ মমাং লৈকাইনা এম.এম.সি মোংখাংলম্বীবু পাঞ্জল ৪-০ দা, কে.ৱাই.ওনা কে.ৱাই.পি.সিবু ২-০ দা, এফ.এফ.সি.সি অংথানা বি.পি.ৱাই.সি বাসিখোংবু ১-০ দা থোইখ্রে অমসুং বি.এস.য়ু কৈরাও অমদি এস.ৱাই.দি.এ ক্ষেত্রিগাউ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলদা চপ্থরিবা অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতি বোইস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটতা অতিংগা এফ.সিনা কাগোবু পেনালতি সুটআউটতা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা গোল্ড এফ.এনা তয়াই এফ.সিবু পেনালতি সুটআউটতা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

------